# ইরৈপাক কন্নবগীদমক্তা ঙসিসু মৈতে পাঙল ফুরুপ্পা নীংহন্নবা লৈতনা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি ঃ লিপুল

ইম্ফাল, জুলাই ২৩(ঐচ এন এস) ঃ
মণিপুরগী য়েলহৌমী কন্নবা বিল শেম্বদা লমদমসিগী য়েলহৌমী অমা ওইরিবা মীতৈ পাঙল হায়না খঙনরিবা ফুরুপ অসিনা নাথৈদুনা লৈথোকপগী ৰাফম লৈতে। তৌবতবু মমাঙগী শরুক্তা মুস্লিমশিংগী শেংলবা চাকহেন থা ওইবনা নুমিৎ চুপ্পা চারা হেন্দুনা অৰাবা কোঙ্গাই খাংদুনা হিংলিঙে চৈরক অদুদা মায়পুননা শরুক য়াবদি ঙমখিদে হায়না লিলোং পোলিটিকেল য়ুনিফাই লিঙ্ক (লিপুল)না ফোঙদোরক্লি।

লিপুলগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম এস রহমননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, ইস্লাম লাইনীংগী কষ্টমরি লোগী মতুং ইন্না নুমিৎ থোকপদগী নুমিৎ তাবা ফাওবদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী চীঞ্জাক চাদ-থক্তনা অরাম-খৌরাংবা কয়া খাংদুনা থাবুমসিগী মনুংদা মপু মহাকনা লংজবা কয়া কোকথোকপিনবা হায়দুনা মতম মঙাগী লাইনীং-লাইশোল তৌদুনা মীওৎ-মীনৈ য়াওদবা ঈংনা লৈবা পুন্সিরোল ফংনবা তাইবং মপুগী পথাপ ওইদুনা মায়পুননা ঈরাং অসিদা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি। ইরমদম ইরৈপাক কন্নবগীদমক্তি ফুরুপ অসিনা মমাঙথক্কী থৌদোক কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকখিবগুম ঙসিসু ফুরুপ অসিনা নীংহন্নবা লৈতনা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি।

অমরোমদা লৈঙাক্কী য়ুনিফোর্ম য়েলহৌমী পুলিসশিংগা খোঙজং চঙশিল্লিবা য়েলহৌমীশিংগা য়েক্নবা অমগুম য়েংলিবা মীৎয়েং, চত্থরিবা থৌওংশিং অসিদি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা হেন্না চাউবা লাঞ্জাও লাক্নবা শীঞ্জবগুম থোক্লগনি নীংজে। মরমদি ঙসি চত্থরিবা ৰাকৎ মীফম ফম্বা, হ্যুমেন চেন শেম্বা অমসুং শিন্থা লেপ্তুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগা ইরোইননা ভোটকী মতমদা মীরেপশিংগা মীয়ামগা ফম্মিন্নদুনা ৰা তানবগুম মীহুৎশিংগা মীয়ামগা এ সী/এ সীগী ওইনা ফমিন্নদুনা ৰাখল তামিন্নরল্লবদি লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা সাপম রোবিনহুদ অশিবগী খয়াৎতগী কন্দুনা তুংগী মীরোলদা অচঙবা মীশক অমা ওইরকপসু য়াই। অদুবু তংগী মীরোলশিংগী খন্দুনা ঐখোয়দগী হান্না মাঙ থাখ্রবা লমজিং মৈরা সাপম রোবিনহুদকী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু লিপুলনা থম্মোয় শোকনা শরুক য়াজরি হায়রি।

ঙসিগী লৈঙাকনা হৌরিবা ঈহৌ অসিবু নমথনবগী মিংদা গ্রেটর ইম্ফালদা কর্ফিয়ু থমজিন্দুনা য়েলহৌমীশিংদা হেন্না চাউবা চৈথেং পীরিবা অসিগী অফবা মহৈদি কৈদৌনুংদা লাক্লোই অমসুং মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লম্বী- লমজাও, লৈরক খুল্লক কয়াদা য়েলহৌমীশিংনা লম্বী থিংবগী মিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা, তুংগী লম্বীবু শাংনা উবা ঙমদবা মীওইশিংনা লমদমসিগী অতোপ্পা য়েলহৌমী ওইরিবা ফুরুপশিংবু তাথী-তাওইনা তৌবা, তাঞ্জানা য়াদদুনা লাকচবা মীওইশিংবু শক-চু মান্নদে হায়বগী ৰাখল্লোন্দা গারি কয়া থুগায়বীবা অমসুং লৈপাক মচা তাদবগী মতৌ উথোকচদুনা অপুনবগী ওইনা তৌরিবা দিমান্দ অদুদা মশক থীহল্লি। মসিনা মরম ওইদনা খোঙজং অসিবু মশক থীহনবতা নৎতনা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা অমনা অমবু থাজনদবা অমসুং নীংহন্নবগী চাং ৰাংখৎহল্লি। অসিগুম্বা মওং-মতৌ অসিনা অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা য়াম্না চাউনা অকায়বা পী হায়রি।

লমদমসিদা মীতোপ চঙহল্লোইসি হায়রবদি হায়রবদি মৈহৌরোলদগী পুন্না লৈমিন্নরক্লবা য়েলহৌমীশিং অমনা অমবু থাজনা অমসুং চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নবা মথৌ তাই। ঐখোয় মশেল অমনা অমবু ঈকায়খুম্নদুনা পুকচেল তিংনা অফ-ফত্ত কয়া তাথোক-তাশিন তৌমিন্নরবদি আই এল পি সিষ্টেম লমদমসিদা চৎনদ্রবসু কনাগুম্বা মীতোপ অমত্তা লমদমসিদা চঙলকপা ঙম্লোই। বংলাদেশতগী লাকখিবা মীওইশিং অদুদা মুস্লিমখক্তরা হিন্দুদি য়াওদ্রবরা হায়বা অচৌবা ৰাহং অমা হংবগা লোয়ননা নাকল নাম্মতা য়েংবগী অখুবা মীৎয়েংনা অপুনবগী পাঙ্গলদগী লাপথোকহল্লি হায়রি।

পুন্নমক অসি হৌখবা থৌদোক্কি খল্লগা মতুং তারকপদা মীতোপ চঙহল্লোইসি হায়রবদি য়াম্না লায়বা চাংয়েং অমা ওইনা নাগামপাল, থাংমৈবন্দ অমসুং উরিপোক্কী অশানবা ময়ুমদা লৈরিবা মীতোপশিং অসি ঙসিদগী হৌনা লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলসি। মথংদা এ সী কয়াগী ভোটর লিষ্টতা য়াওরিবা মীতোপশিং অসি লৌথোক্তুনা তরং-তরংবা পোলিটিক্স তৌবনা খ্বাইদগী লায়বা পাম্বৈ ওইগনি হায়রি।

লমদমসিদা হৌজিক হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মণিপুরদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংনা তৌরিবা দিমান্দ অসি ফংনবগীদমক্তা চপ মান্ননা খোঙফম অমত্তদা লেপমিন্নদুনা মীপাল তাংদবা ইরমদ অমা ওইহল্লসি হায়না লিপুলনা আপীল তৌজরি হায়রি।

## শেলগী তেংবাং পীনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩(ঐচ এন এস) ঃ
হৌখিবা জুলাই ২২দা তোপ দুসরা নুপী য়াইফ সমাজ অপুনবা মৈরা পায়বীশিংনা তোপ য়ুঠ ক্লবকী মেম্বরশিংগা লোয়ননা লৈকায় অসিদা লৈরিবা তোপ মখা লৈকায় অমসুং তোপ ময়াই লৈকায় অপুনবা মৈরা পায়বীশিংনা আই এল পিগী খোঙজংদা লৈখিদ্রবা সাপম রোবিনহুদ অমসুং শোক্তুনা রিমস হোস্পিটালদা হৌজিক লায়েংলিবা হাওবিজম রেসনদা শেল মতেং ওইনা লুপা লিশিং ৩/৩গী মতেং পাংলখ্রে হায়রি।

তোপ দুসরা নুপী য়াইফ সমাজগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, হৌজিক লায়েংলিবা হাওবিজম রেসননা মণিপুরদা য়েলহৌমী কন্নবা চঙশিল্লিবা জে সী আই এল পি এসকী খোঙজং অসি অথুবা মতমদা মীয়াম্না য়ানগদবা বিল অমা পাস তৌবা পাম্মী লোয়ননা মতেং পাংবিরকপা মীয়াম্বুসু তৌবিমল খঙবা উৎচরি হায়না ফোঙদোক্লকখি।

অমরোমদা থোংজু চিগোংলৈ মখোঙ দিভলপমেন্ট ক্লবনা কোনবা মৈরা পায়বী পিচুলম্পাক অমসুং চউখৎ খোঙথাং নুপী লূপ খা নাওরেম লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনা পুন্না খুৎশম্নদুনা মণিপুরদা আই এল পিগী ঈহৌগা মরী লৈননা চঙশিল্লকপা খোঙজং মরী লৈননা লাইবক থীবা থৌদোক্ত লৈখিদ্রবা সাপম রোবিনহুদকী মফমদা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা অৰাবা ফোঙদোকখি লোয়ননা ইমুগী অৰাবদা শরুক য়াবগা লোয়না লুপা লিশিং ৫ মতেং পাংখ্রে। আই এল পিগী ঈহৌদা শোক্তুনা লৈরিবা অমোম ৰাংথোই মৈতে ক্যামগৈ মনিং লৈকায়দা লৈবগী মফমদসু লুপা লিশিং অমা মতেং পাংখ্রে হায়রি।

# য়েলহৌমী কনগদবা আই এল পি এস চৎনহল্লু হায়না খোঙজং চত্থনরি




ইম্ফাল, জুলাই ২৩(ঐচ এন এস) ঃ
মণিপুরদা য়েলহৌমী কনগদবা ইন্নর লাইন পার্টি সিষ্টেম (আই এল পি এস) চৎনহল্লু হায়না মণিপুর লৈঙাক্তা তকশিল্লদুনা ঙসিসু মফম কয়াদা খোঙজং চত্থনরি।

দিভলপমেন্ট সোসাইটি (নীদস), পিসুম নিঙোম লৈরক, ইম্ফালগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৪ তাবা ফাওবা নীদসকী ষ্টাফ অমসুং মেম্বরশিংনা মণিপুরদা আই এল পি এস চৎনহল্লু অমসুং মহৈরোয় সাপম রোবিনহুদ হাৎপদা চেন্নবা পুলিস পার্সোনেল চৈরাক পীয়ু হায়দুনা ৰাকৎ মীফম ফমখ্রে।


ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা মতম চানা থৌদাং লৌবিরল্লবদি মমল য়াল্লবা মহৈরোয় সাপম রোবিনহুদকী পুন্সি খাঙুথক্তা মাঙলল্লোই। মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌ, য়েলহৌমীশিংগী পুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাকপা হমগদবা লো অমা পুথোক্তুনা চৎনহল্লু, ঙম্লোইদবা ওইরগদি খুদক্তা ফম থাদোকউ হায়রি।

অমরোমদা নম্বোল কৈথেলগী হাও কৈথেলদা নম্বোল কৈথেলগী মনা-মশিং য়োনবী ইমা-ইবেনশিংনা মণিপুরদা য়েলহৌমী কনগদবা আই এল পি এস চৎনহল্লু, মহৈরোয় রোবিনহুদ তমথীনা হাৎপদা চেন্নরিবা পুলিস পাসোর্নেগী মথক্তা লৈঙাকনা চৈরাক পীয়ু অমসুং আই এল পি মতাংদা হৌরিবা খোঙজং শৌগৎচরি হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা ৰাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে হায়রি।

## বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌবীগনু

ইম্ফাল, জুলাই ২৩(ঐচ এন এস) ঃ
চহী খুদিংগী ওগষ্ট ৫ অসি ইরৈপাক ইরমদমগী ইনাৎকী শক্তম ঙাক্লিবা অমসুং কন্নবা, য়োকখৎনবা, হিংহন্নবা হোৎনজরিবা সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)গী মপোক কুমওন থোকই। অদুনা ওগষ্ট ৪ অমসুং ৫ নুমিৎ নীনি অসিদা কনাগুম্বা লূপ অমত্তনা সিকোগী মপোক কুমওন থৌরমগী খল্লগা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌবিরক্কনু হায়না ফোঙদোরক্লি।

সিকোগী সেক্রেটরি জেনরেল লাইশ্রম কেন্নেদি খুমননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, সিকোনা শীঞ্জরিবা সিকোগী মপোক কুমওন থৌরমদা জেনরেল ষ্ট্রাইক্ক চিংবা কৌবিরক্তনবা কংলৈ ইচিল ইনাওশিংগী মফমদা য়াম্না নোল্লুকনা হায়জরি। সিকোনা হায়জরিবা অসিদা লূপ খুদিংমকনা লুম্না লৌবিবগা লোয়ননা মতাং অসিদা অচেৎপা থাজবসু থমজরি। অদুগা লদম অসিদা লৈরিবা লূপ খুদিংমকনা চহী খুদিংগী সিকোগী মপোক কুমওন থৌরম নুমিৎ ওগষ্ট ৫ অমসুং সিকোনা তুংনা পাঙথোক্কে খল্লকপা থৌরমগী মতম হেক লাউথোরকপদা অসিগুম্নবা বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক্কচিংবা মখল অমত্তগী অয়েৎ-অপন, খুরৌ থাংবা পীবিদনবা নোল্লুকনা হায়জরি।



## CROSSWORD-1804

**ACROSS**

1 Opening ploy in chess (6)
4 Canal boats (6)
8 Wash in clean water (5)
9 Be without hope (7)
10 Charged with an offence (7)
11 Burdened (5)
12 Bargain-priced (4-5)
17 Overhanging roof edges (5)
19 Instigated (7)
21 Make damp (7)
22 Cost (5)
23 A small quake (6)
24 Without payment (6)

**DOWN**

1 European language (6)
2 Threatened (7)
3 Notions (5)
5 Exonerate (7)
6 Sentry (5)
7 Dash (6)
9 Inference (9)
13 Italian rice dish (7)
14 Lover of one's country (7)
15 Protective headgear (6)
16 Vipers (6)
18 Put into words (5)
20 High-spirited escapade (5)

**Solution 1803**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Y | A | N | K | | A | D | O | R | A | B | L | E |
| O | | O | | L | | A | | O | | A | | C |
| U | N | I | F | O | R | M | | W | O | R | T | H |
| N | | S | | U | | A | | E | | G | | O |
| G | R | E | E | N | | S | E | R | I | A | L | |
| E | | | | G | | K | | | | I | | T |
| S | I | G | N | E | T | | A | T | O | N | C | E |
| T | | A | | | | P | | E | | | | S |
| | C | R | E | A | S | E | | T | A | C | I | T |
| T | | B | | C | | S | | C | | H | | A |
| R | E | A | C | H | | E | X | H | A | U | S | T |
| I | | G | | E | | T | | Y | | T | | O |
| O | V | E | R | S | E | A | S | | F | E | A | R |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-1609**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | | | | | 7 | 4 |
| 3 | | 5 | 4 | | | | | |
| | | 1 | | 6 | 5 | | | |
| | | | 8 | | | | 9 | 5 |
| | | 8 | | | | 2 | | |
| 6 | 3 | | | | 9 | | | |
| | | | 5 | 4 | | 9 | | |
| | | | | | 8 | 4 | | 6 |
| 9 | 1 | | | | | | | 3 |

**Solution-1608**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 6 | 4 | 5 | 8 | 9 | 7 | 2 | 3 |
| 2 | 3 | 8 | 1 | 7 | 6 | 4 | 9 | 5 |
| 9 | 7 | 5 | 4 | 3 | 2 | 8 | 6 | 1 |
| 4 | 9 | 3 | 7 | 6 | 1 | 5 | 8 | 2 |
| 8 | 2 | 6 | 9 | 5 | 3 | 1 | 4 | 7 |
| 7 | 5 | 1 | 8 | 2 | 4 | 9 | 3 | 6 |
| 6 | 4 | 9 | 3 | 1 | 5 | 2 | 7 | 8 |
| 5 | 8 | 2 | 6 | 4 | 7 | 3 | 1 | 9 |
| 3 | 1 | 7 | 2 | 9 | 8 | 6 | 5 | 4 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9. Every row must contain the numbers from 1 through 9. Every column must contain the numbers from 1 through 9. Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৩(ঐচ এন এস) ঃ
হৌখিবা জুলা ১৯দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা নিংথৌখোং কৈথেলদা নৌনা শাবা কম্যুনিটি হোলদা লাইশ্রম রামজীগী ২শুবা শরুক মাঙলমচৎকী পুয়াগী ৰারী লাইরিক অমা ফোঙখিবা অদুদা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, সেরিকলচর অমসুং এনিমেল এন্দ হজবেন্দরি মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা অথোইবা লেংবিরকপগী ৰারোল পীবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ব্রাঞ্চকী লোইশঙগী শেমগৎ-শাগৎনবা লুপা লাখ অমা পীরগনি হায়না লাউথোকপিরম্বগীদমক্তা ঈকায়খুম্নজরিবা মিনিষ্টর অসিগী মফমদা সাহিত্যগী থৌ পুরিবা মেম্বরশিংনা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা মতম শাংনা মীয়ামগী থবক তৌবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না য়াইফ ৰাহে পীজরি হায়রি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি লমাবম তোমচানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, কোলকটাগী ভদ্র এটোমিক রিছার্চ সেন্টরদা সিনিয়ার সাইন্টিষ্ট অমা ওইনা লৈরিবা সুনুসিফাইদা লৈবা ঙাস্থোই হাওবিজমনসু অইবা লাইশ্রম রামজীদা মতেং ওইনা লুপা লিশিং ১০ মতেং পাংবিরম্বগীদমক্তসু থাগৎপাফোঙদোকচরি।

## থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ঃঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদা অকোম-লূপ, কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রো, হান্নগী প্রসিদেন্ট ইন্দ্রকুমার নিঙোম্বা অমসং লূপ অসিগী এদভাইজর নামোইজম মণিনা ময়াই তাংবল লৌদুনা জেনরেল বোদি মীটিং অমা লূপ অসিগী ময়াই লোইশঙদা পাঙথোক্তুনা কুমজা ২০১৫দগী ২০১৮ ফাওবগী নৌনা থৌ পুগদবা ইগজিক্যুটিব মেম্বরশিং খনখ্রে হায়রি।

অকোম-লূপকী আই পি আর সেক্রেটরি এন সান্তনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, লূপ অসিগী থৌ পুগদবশিংনা প্রসিদেন্টনা কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রো, জেনরেল সেক্রেটরিনা এল তেলহৈবা, ফাইনান্স সেক্রেটরিনা এন মুহিন্দ্রো অমসুং আই পি আর সেক্রেটরিনা এন সান্তনি। মীওই ১৯না শাবা ইগজিক্যুটিব কমিটিনা কুমজা ২০১৫-১৮ ফাওবগী থৌ পুরগনি।

## স্ক্রিপ্ট রাইটিং কম্পিটিসন য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩(ঐচ এন এস) ঃ
সিনে রাইটরস গিল্ড, মণিপুরনা অহানবা ওইনা শীনবা মণিপুরী ফিল্ম স্ক্রিপ্ট রাইটিং কম্পিটিসনগী রিজল্ট লাক্লিবা ওগষ্ট অনীদা লাউথোক্কনি তৌরম্বা অদু য়ৈথোক্লে। লমদমসিগী হৌজিক ওইরিবা আই এল পি সিষ্টেম চৎনহল্লু হায়বা ঈহৌ অসিগী লৈখায় তাদ্রিবা ফাওবদি স্ক্রিপ্ট রাইটিং কম্পিটিসন অসি য়ৈথোক্লগনি। মণিপুরী ফিল্ম ইরিবশিংনা মণিপুরী ফিল্ম ইবদা চৎনগদবা চৎন-কাঙলোনসু ফোঙলে হায়না সিনে রাইটরস গিল্ড, মণিপুরগী সেক্রেটরি রঞ্জিৎ নিংথৌজানা ফোঙদোরক্লি।

## ‘অথিংবা পীবীগনু’

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ ঃলাক্লিবা জুলাই ২৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া প্রী মেদিকেল টেষ্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোয়শিংনা ইগজামিনেসন থাবগী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা হৌজিক আই এল পি এস চৎনহল্লু হায়না খোঙজং চঙশিল্লিবশিংনা অথিংবা পীবীগনু। হায়রিবা ইগজমিনেসন অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী মফমদা এ আই এস এফ, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীজবগা লোয়ননা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না ফেদরেসন অসিগী চেরোল অমদা হায়রি।

# ‘মহৈরোয় হাৎপদা চেন্নবা পুলিস পার্সোনেলশিং চৈরাক পীগদবনি’

ইম্ফাল, জুলাই ২৩(ঐচ এন এস) ঃ
মণিপুর লৈঙাকনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা মণিপুরদা আই এল পি সিষ্টেম চৎনহন্দুনা য়েলহৌমীশিং কন্নবা হোৎনগদবনি লোয়ননা মহৈরোয় সাপম রোবিনহুদ হাৎপদা চেন্নবা পুলিস পার্সোনেলশিং মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক পীগদবনি হায়না বিরমঙ্গোল কোলেজ ষ্টুদেন্টস’ য়ুনিয়নগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা তকশিল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা আই এল পি সিষ্টেম চৎনহনগদবনি হায়দুনা চঙশিল্লিবা অকনবা ঈহৌ অসিদা মাঙজিল থানা শরুক য়ারম্বা আনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরী একাদেমীগী মহৈরোয় সাপম রোবিনহুদপু মণিপুর পুলিসকী কা হেনবা লীচৎতা লৈখিদবদা য়ুনিয়ন অসিনা থম্মোই শোক্ল া নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাংগী অৰাবদসু শরুক য়াজরি।

চঙশিল্লিবা ঈহৌ অসি য়াম্না মরম চাবা ঈহৌনি। মীশিং য়াল্লবা ইন্দিয়াগী নাতোন তুম্বা, মমীৎ লাওবা মীয়াম অসিদগী মীশিং য়ামজদ্রবা নাতোন নম্বা, মীৎ খুবা ঐখোয়গী শক্তম কঞ্জনবগীদমক হৌবা ঈহৌনি হায়বসি লৈঙাকনা মমুৎ তানা খঙগদবনি হায়রি।

মহৈশঙশিং থিংজিন্দুনা ঈহৌ অসিগী ৰারোইশিন পুরকপা য়ারোই। লৈপাক অমগী, খুন্নাই অমগী লাইবক অসি ঙসিগী মহৈরোয়শিংনি হায়বসি পুন্নমকনা য়ানরবা ৰাফম্নি। অসিগুম্বা ঐখোয়গী খুন্নাইগী লাইবক লেপকদবা মহৈরোয়শিংগী মহৈ-মশিং তম্বগী ফংফম থোকপা অদু মৎপগী থৌওং অসি খুদক্তা লেপ্তুনা মহৈশঙশিং হাংদোকপনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়রি।

চৈরক অসিদা মণিপুর গভর্নমেন্টকী হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী মহৈরোয় খরনা স্কুল থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা অসি খরা মমুৎ তানা খন্দুনা ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং অসি নৎতবা অতোপ্পা হেন্না ইফেক্টিব ওইগদবা খোঙজং অমনা মহুৎ শিনবিনবা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অসিনা আপীল তৌজরি হায়রি।

# মৈতে খৃষ্টিয়ানশিংগী গোস্পেলগা মরী লৈনবা ঈশৈ, ফিল্ম অমসুং এলবমনচিংবা য়েংশিল্লগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২৩(ঐচ এন এস) ঃ
ওল মৈতৈ খৃষ্টিয়ান্স আর্ট এন্দ কলচর ওবজার্ভেস কাউন্সিল (অমকাকোক)কী ওইবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মৈতৈ খৃষ্টিয়ানশিংগী চর্চকী লুচিংবশিংগা পুন্না খোংজোমদা পুনমিন্নরবা মতুংদা অমকাকোক, থৌবাল ব্রাঞ্চ হাংদোকখিবনা মরম ওইদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অপুম্বদা লৈরিবা মৈতৈ খৃষ্টিয়ানশিংদা গোস্পেলগা মরী লৈনবশিং হায়বদি পোকপগী থৌরম, লুহোংবগী থৌরম শিবগী থৌরমশিং লোয়ননা গোস্পেলগী ঈশৈ-নোংমাই, ফিল্ম, অলবমনচিংবগা মরী লৈনবশিংদা কুপ্না য়েংশিল্লগনি হায়না অমকাকোক্কী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মৈতৈ খৃষ্টিয়ানশিংগী চর্চ অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংনা খৃষ্টিয়ানশিংগী থৌরমশিং পাঙথোকপদা মৈতৈ খুন্নাইগা চানদবা মওংদা ৰেষ্টর্নগী ফিশেৎ শেৎতুনা মীরমগী চৎনবীদা ফুরুপ ওনবগুম্না থৌরমশিং পাঙথোক্কনু। মণিপুরী লোলদা গোস্পেল ফিল্ম, এলবমনচিংবা পুথোকপিবশিংনা অমকাকোক্কী অয়াবা য়াওদনা পুথোকপা খুদিংমক থিংজিল্লগনি অমসুং অমকাকোকনা মুন্না য়েংশিল্লবা মতুংদা পুথোকপা য়াগনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অসিগী মতাংদা কনাগুম্বা খৃষ্টিয়ান ওর্গনাইজেসন্না কাউন্সিল অসিগী চৎন-কাঙলোনসিবু থওইরক্ত্রবদি, অতোপ্পা ফুরুপশিংনা মৈতৈ খৃষ্টিয়ানশিংবু মৈতৈ ওইনা উরক্তবগী অফ-ফত্ত খুদিংমক্কী থৌদাং কাউন্সিলনা পুরোই। অকুপ্পা মরোল অমসুং আর আর লৌবিনবগীদমক মোবাইল ফোন নম্বর ৯৮৫৬২৯০০৭৭দা পাউ ফাওনবীয়ু হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী থৌ পুগদবশিংনা পাষ্টর এল কুবেরনা প্রসিদেন্ট, পাষ্টর সোইবম জিতেননা ভাইস প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরিনা ইবেনজেলিষ্ট সুর্জো খ্বাইরাকপম, জোইন্ট সেক্রেটরিনা রেবরেল কে ঐচ রোবেন, ফাইনান্স সেক্রেটরিনা ডা. টি ওজিৎনা ওইরগনি হায়রি।

# কৈথাল শাবা য়ানিংদে হায়দুনা ৰাকৎ মীফম ফমখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৩(ঐচ এন এস) ঃ
চীংমৈরোং মংদা মণিপুর গভর্নমেন্টনা মাও টেম্পররি মার্কেট শানবা হোৎনরকপা অসি য়ানিংদে হায়দুনা ঙসি চীংমৈরোং মমাঙ লৈরক অমসুং মনীং লৈরক্কী মীওইশিংনা চীংমৈরোং মংদা ৰাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে।

ৰাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা চীংমৈরোং মং কমিটিগী সেক্রেটরি এস ঐচ কৃষ্ণমণিনা হায়, মফম অসিদা মাও তেংবাং মার্কেট শাবা য়ানিংদবগী মরমদি মফম অসিদা লাইনীং-লীচৎকী মতুং ইন্না মং কারকপগী লৈরিবা পুথ্রি মচা অসিদা ঈরুজবা, লাইশোল তিনশোল তৌফম্নি। মফম অসিদা লৈঙাকনা টেম্পররি মার্কেট অমা শাগনি হায়বসি য়ানিংদে। টেম্পররি মার্কেট হায়রগা পার্মিনেন্ট ওইখিগদ্রা হায়বগী অকিবসু লৈ। ঐখোয়না মাওগী ইচিল-ইনাওশিংবু তরম্না ওক্লি অমসুং থাগৎপা ফোঙদোক্লি। অদুবু হায়রিবা কৈথেল অসি কৈথেলগী অনকপা মফম অমদা শাহনবীয়ু হায়নসু মহাকনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ‘লৈরিবা লৈঙাকনা তুমিন্না লৈফম থোক্তে’

ইম্ফাল, জুলাই ২৩(ঐচ এন এস) ঃয়েলহৌমী কন্নবা এক্ট শেম্নবগী ঈহৌদা মহৈরোয় খুন্নাইগী লমজিং মৈরাগী মিংথোল ফংখ্রবা সাপম রোবিনহুদনা পুন্সি কখোকখিবা অমসুং অশোক-অপন কয়া নংখিবা, তুংগী থাজবা কয়া থল্লিবা মহৈরোয় অমনা লৈখিদবদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা তুমিন্না লৈথোক্লিবসি করিগীনো হায়না মণিপুর পিপলস পার্টি, য়ুঠ ফ্রন্টনা হংলক্লি।

য়ুঠ ফ্রন্ট অসিগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, ঙসিগী তংদু লৈতাদ্রবা, মহৈরোয়না মহৈ তম্বা ফংলক্ত্রবা মতম য়ামশিল্লক্লে, লাইরবা নোংমগী শুরগা চাজবা কয়া অমগী চরম মেৎলিবা পুন্নমকসি কোক্লবা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থম্মোই শেংনা হোৎনদ্রিবা করিগীনো? মীয়াম্না খনখিবা মীহুৎশিংনি খনবিরগা শেংলবা লাইশঙ অমগুম লৈরিবা এসেম্বলি হোলদা উচিনা হৌদোংগী ঙকশমদা শরিক থাংনবগী ৰারেপ লৌবগুম লৌরবদি মুৎপা নাইররোইদবা মৈনা মৈরি থোকনা চাক্লক্তুনা তাঙ্গৈই ওনগদবা মতমদো ঙাইদবনা লৈঙাক্কী অফবা ওইগনি হায়না পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা হায়জনিংই।

মণিপুরদা য়েলহৌমীশিংবু কঞ্জনবা ষ্টেট অসিগী ওইবা চৎন কাঙলোল অমা শেমজবদা কনাবুনো কিরিবা অসিবু।মণিপুরদা আই এল পি এস চৎনহনবা হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বা ওইরিবনি। লৈপাক্কী ঈহৌদা লৈখিদ্রবা রোবিনহুদকী মফমদা মণিপুর পিপল পার্টি, য়ুঠ ফ্রন্টনা অৰাবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা তাইবং মপুগী লৈকোন্দা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি হায়রি।

## কন্সলটেন্সি প্রোগ্রাম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ ঃমণিপুরদা আই এল পি চৎনহন্দুনা য়েলহৌমী কন্নবা লো শেম্নু হায়না চঙশিল্লিবা মীয়ামগী খোঙজংগা মরী লৈননা মোইরাংদা লৈবা ক্লবশিং, মৈরা পায়বী লূপশিং, মফম অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ-কাঙলূপ অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিং য়াওনা কন্সলটেন্সি প্রোগ্রাম অমা লাক্লিবা জুলাই ২৫গী নুংথিল পুং ২ তাবদা মোইরাং পাৎলৌ মান্দপ্তা পাঙথোক্কদৌরি হায়না কেগে মোইরাং অপুনবা লূপ (কেমাল)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হীরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা মীফম অসিদা মশক নাইরবা অখঙ-অহৈ কয়া লেংবিরক্তুনা ৰা ঙাংগনি। মরম অদুনা মায়কৈ অশোমদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকনা শরুক য়াবিদুনা খোঙজং অসিবু পুন্না শৌগৎমিন্নবগী থৌদাং লৌমিন্নসি হায়বা ৰাফম থমজরি।

## ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ ঃঙসি জুলাই ২৩ অসি ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘ (বি এম এস) হৌদোকখিবগী নীংশিং নুমিৎনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়া পুম্বদা বি এম এসকী ফাউন্দেসন ডে থৌরম পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু কৈশাম্পাৎতা লৈবা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিস্তা নেম্বেল সেক্রেটরি এন তোম্বানা অথোইবা লেংবিরকপা ওইদুনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

বি এম এস, মণিপুর ষ্টেটকী জোইন্ট সেক্রেটরি টি ঐচ বিনানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, থৌরম অদুদা অথোইবা লেংবিরকপগী ৰারোল পীরদুনা এন তোম্বানা মণিপুরদা লৈরিবা বি এম এসকী মেম্বর পুন্নমকপু য়ায়িন অসিগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা পুক্লিং চঙনা অচুম্বা থাক্তা মীয়ামগী থবক তৌনবা আপীল তৌখিবগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল ওইনা ইমপ্লোয়ীশিংগী থবক থৌরম কয়াগী মরমদা ময়েক শেংনা মীয়ামদা ৰাখল তাহনখি।

DUTTA CLINIC

অঙৌবা পকপা, তাং-তাং চিকপা, নুপাগী প্রোব্লেম, নুপীগী প্রোব্লেম, নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক, ডাইবেটিস, নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম অমসুং য়ু করম্না থাদোক্কনি



**অঙৌবা পকপা :**
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৰানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

**তাং-তাং চিকপা :**
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিত্থবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

**নুপাগী প্রোব্লেম :**
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৰার অদোমগীদমক লৈজরে। মমল লুপা ৪৫০।

**নুপীগী প্রোব্লেম :**
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

**নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :**
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

**ডাইবেটিস :**
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৰার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

**নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :**
না তাবা ৰাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৰাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৰাবা অদু কোক্কনি।

**য়ু করম্না থাদোক্কনি :**
য়ুদা লায়চুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা মশা খংহন্দনা ঐখোয়গী হিদাক অসি পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঞ্জিল্লকনি। মহাক শোয়দনা য়ু থাদোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/2570/29/6 to28/7